**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-05-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৯-০৫-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম য়েংলগা তামেংলোং জিলাগী খুঞ্জাশিংনা তামেংলোং-ইম্ফাল-তামেংলোং লম্বীদা সেক্যুরিতি য়াওদনা চত্তনবা দিপ্যুতি কমিস্নরনা খঙহল্লক্লি।

২) পি.এম সুরিয়া ঘর মুফ্ত বিজিলি য়োজনাগী মখাদা রুফ্টতোপ সোলর শিজিন্নহন্নবা এম.এস.পি.দি.সি.এলনা মে থাবু মন্থ ওফ সোলর হায়না পাঙথোক্লি।

**অমসুং**

৩) শাবা হেনগৎলকপগা মরী লৈননা হকশেলদা পীরক্লিবা শিংনবশিং শেম শানবগীদমক সাইন্তিফিক স্তিয়ারিং কমিতি ওন ৱান হেলথকী মীফম পাঙথোকখ্রে।

----

**তামেংলোং (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসি য়েংলগা তামেংলোং জিলাগী খুঞ্জাশিংনা তামেংলোং-ইম্ফাল-তামেংলোং লম্বীদা সেক্যুরিতি য়াওদনা য়ারিবমখৈ চত্তনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনরনা খঙহল্লক্লি।

তামেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিসনর এল.অংসিম দাংস্বানা থোকপা চেরোল অমনা হায়- অনা লায়েং, মহৈ-মশিং তম্বা অমসুং তঙাইফদবা থবক্কীদমক ইম্ফাল-তামেংলোং লম্বী চথোক চংশিন তৌবদা হাইৱে অসিদা থল্লিবা সেক্যুরিতি কনভোইশিংগা লোয়ননা চৎনবা হোৎনগদবনি। চেরোল অদুনা হায়- মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবা থোরকপা নত্তনা নুমিৎ খুদিংগী লম্বী অসিদা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা চথোক চংশিন তৌরি। মরম অদুনা, মীয়ামা করিগুম্বা লম্বী অসিদা চৎপা তারবসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা পাউ ফাওনরবা মতুং চৎপীয়ু। মীয়ামা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কন্ট্রোল রুমগী তেল্লিফোন নম্বর 6909021187 দা পাউ ফাওবীরকবা দিপ্যুতি কম্মিসনর খঙহল্লক্লি।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, নিউ দেল্লিগী দ এম্বেসি ওফ ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱাতর রিসোর্সেস স্পিসিয়েলিষ্ট নিরাশ ঘালাৱাট অমসুং পি.ঐচ.ঈ.দিগী ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না উনদুনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা, রাজ্য অসিদা ৱাতর সপ্লাই সিস্তেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অখন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া য়াৎতুনা অমসুং মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম পুমমক্তা চান-থকবা অমসুং দরকার লৈবা ঈশিং মরাং কাইনা ফংহন্নবগী মতাংদা কুপা ৱারি শান্নখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ভাইফৈ খুলগী নোংচুপ থংবা চীংশাং পরেংদা ফাজিনখিবা মীওইশিং ফংনবা থিবা হুন্নবগী থবক মখা তানা চথ্খরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমদেং অমসুং কামেং খুলগী চীংখোঙদা থি হুন্নবগী থবক চথ্খবদা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুদি-বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অনি অমসুং নাইন এম এম পিষ্টোল মাপননি।

অমরোমদা, নম হাদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিং চথ্খবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক মখা তানা চথ্খরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ফুংদোংবম ময়াই লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। নুমিৎ অসিমক্তদা সেন্ত্রেল ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিলর ৭৭ দগী ৭৯ গী মরক্তগী পি.এল.এগী মীওই অহুম ফাখি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি ফারে। নুমিৎ অসিমক্তদা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বজারদগী য়ু.এন.এল.এফ(কোইরেং)গী মীওই অমসু ফাখি।

**সোলর (এল)ঃ** পি.এম সুরিয়া ঘর মুফ্ট বিজিলি য়োজনাগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট পৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা মে থা অসিবু মন্থ ওফ সোলর হায়না পাঙথোক্লি। মসি লৈবাক শিনবা থুংবদা নুংশাগী মৈশাদগী মৈ লৌবগী হৈনবী লৈহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। লৈবাক অসিগী য়ুমথোং কোতি ১ গী মথক্তা রুফ্টতোপ সোলর সিস্তেম থমবা পান্দমদা স্কিম অসি ইং কুমজা ২০২৪ গী ফেব্রুৱারি ১৩ দগী হৌখিবনি। মসিনা মৈগী বিল হন্থহনবতা নত্তনা ক্লিন ইলেক্ট্রিসিতি পুথোকবা পান্দমদা পায়খৎখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা স্কিম অসিগী মখাদা রুফ্টতোপ সোলরগী কান্নবা লৌনবা অমদি হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। জিরিবাম জিলাগী ববুপারা অমসুং দিবোং, উখ্রুল জিলা, কামজোং, চুরাচান্দপুর, থৌবাল দিভিজনগী মখাদা লৈবা সব-দিভিজনশিং, ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন টু, থি, ফোরগী মখাদা লৈবা মফমশিংদা এম.এস.পি.দি.সি.এগী স্তাফশিংনা য়ুম-য়ুম চত্তুনা মীয়াম্বু রুফ্টতোপ সোলরগী মরমদা হেন্না খঙহল্লি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** স্পিপসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) ২০২৬ কী মতাংদা বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈরিবা শকখঙলবা নেসনেল অমসুং ষ্টেট পোলিতিকেল পার্তিশিংগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ২১ দা দিপ্যুতি কম্মিসনরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না জিলা অসিগী দি.সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**পি.দব্লিয়ু.দি (এল)ঃ** রাজ্যগী পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টকী ওইনা ইলেক্ট্রিকেল অমসুং মেকানিকেলগী কন্ট্রেক বেসিসতা জনিয়র ইঞ্জিনিয়র গ্রেদ ৱানদা থবক খল্লক্লবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফালগী খুয়াথোংদা লৈবা পি.দব্লিয়ু.দি ওফিসতা রিপোর্ট তৌরনবা বিভাগ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-কেন্দিদেটশিংনা মখোয় মখোয়গী মরী লৈনবা চে-চাংগা লোয়ননা চিফ ইঞ্জিনিয়রদা একসেপতেন্স লেতর পীশিনগদবনি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** ভারতকী ফেদরেল লো ওইরিবা পি.সি-পি.এন.দি.টি এক্ট/রুলগী মতাংদা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্তা সেন্সিতাইজেসন ৱার্কশোপ অমা ঙরাং হাই কোর্ট মণিপুরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসি

মণিপুর জ্‌দিসিয়েল একাদেমি, পি.সি এন্দ পি.এন.দি.টি সেল, ফেমিলি ৱেলফিয়র সার্ভিসেস, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না খূৎশমদুনা শিনবনি।

**হেলথঃ** শাবা হেনগৎলকপগা মরী লৈননা হকশেলদা পীরক্লিবা শিংনবশিং, শা-ঙাদগী লৌনগনবা লায়নাশিং থোরকপা মতমদা শেম শানবগীদমক সাইন্তিফিক স্তিয়ারিং কম্মিতি ওন ৱান হেলথকী মঙারক শুবা মীফম ঙরাং নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখ্রে। প্রিন্সিপল সাইন্তিফিক এদভাইজর প্রোফেসর অজয় কে.সুটনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা ৱান হেলথ গভর্নেন্স হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মোদেল ফ্রেমৱার্ক পুথোকখি। হৌখিবা চহী কয়া অসিদা নেসনেল ৱান হেলথ মিসননা শিংথানিঙাই ওইবা থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে। মসিগী মনুংদা, রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা ৱান হেলথ গভর্নেন্স মেকানিজম কনখৎহন্নবা মোদেল গভর্নেন্স ফ্রেমৱার্ক শেমগৎপা, সর্ভিলেন্স হেনগৎহনবা, খুদক্কী ওইবা হকশেলদা শিংনরকপশিং খঙদোকপনচিংবা পায়খৎলি।

**আই.পি.এলঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি রাজস্থান রোয়েলসকা লখনৌ সুপর জাইন্সকা জাইপুরগী স্বাইমানশিং স্তেদিয়মদা শান্নরগনি। ঙরাং চেন্নাইগী এম.এ চিদম্বরম স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সনরাইজর্স হাইদ্রবাদনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে।

**স্পোর্টসঃ** য়ং ইল্লিটরেট গাইদেন্স প্রোগ্রাম ক্লব(ৱাই.আই.জি.পি)না শিন্দুনা ৱাই.আই.জি.পি গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা ১৬ শুবা ৱাই.আই.জি.পি ট্রোফি ২০২৬ কী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমিফাইনেলদা য়াচল এফ.সি.নম্বোল নাওরেমনা তোকে এফ.সি খুরখুলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অনিশুবা

সেমি-ফাইনেলদা খা শঞ্জেনবম এফ.সিনা ঙাইরাংবম এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে। মাই পাক্লবা টিম অনিনা থা অসিগী ৩১ দা ফাইনেল শান্নরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কাংলুপ অনিগী ফাজিন্দুনা থমখিবা মীওইশিং থাদোকহন্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগী মতাংদা চর্চ লুচিংবশিংগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উনখিবা, ফাজিনখিবা নাগা তরুক্কী মতাংদা কুকি ইনপী মণিপুরনা শেংদোরকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা - কুকি অমসুং নাগা অনিনা ফাজিন্দুনা থন্বীরিবা হোসতেজ থাদোকহন্নবা চর্চকী টিম অনিনা হোৎনগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফাজিনখিবা নাগাশিং থাদোরকউ হায়না কংলাতোন্বীদা রেল্লি চৎখ্রে, কুকি নুপীশিংনা খূৎলাই পায়বা লালহৌবশিংদা শিন্নবনি হায়না লিয়াংমৈ নাগা ফুরুপকী খুঞ্জা অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমরোমদা, ফাজিনখিবা নাগা তরুক করম তৌরমগনি খঙদ্রি, কুকি ইনপী মনিপুরগী মাইকৈদগী ফাজিনখিবা মীওইশিং মখোয়গী কস্তদিদা লৈতে হায়না শেংদোরকপগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা- য়ু.এন.সিনা কুকিশিংগী মচিন থিবা মতৌ খুদোন্বী থিন্দুনা তাক্লক্লি, চর্চ লিদরশিং হাৎখিবদু কুকি নত্তনা অতৈনা ওইরোই হায়না

অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা পল্লম্বা ওইল তেঙ্কর য়াওনা গারি ৩১৯ য়ৌরক্লে, থাওগী অৱাৎপা লৈতে, মীয়ামা ফংহৌররোই হায়না মতাগুম লৌশিনবীগনু হায়না আই.ও.সি.এলনা থল্লকপা ৱাফম- পোকফমগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিসনরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুঞ্জাশিংদা চেকশিল ৱা ফোঙদোরকখ্রে। তামেংলোংগী মীয়ামা ইম্ফালদা চখোক চৎশিন তৌবদা সেক্যুরিতি কনভোইগা লোয়ননা চৎপীয়ু হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি ইনপী মণিপুরগী তোতেল সটদাউনদা মণিপুর লৈঙাকা করিসু তৌবা ঙমদ্রে, নাগালেন্দদা পন্দুনা লৈরকপা ত্রকশিং মীৱা তাবদগী থৌজিন্নরক্লে, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা গারি ৪১০ রোম ইম্ফাল য়ৌরকপা ঙমদনা লৈরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্সস পাঙথোকপদা অয়েৎপা পীরকপশিং লৈঙাকা চৈরাক পীগনি হায়রবস্ সেন্সস তৌবা লাকপশিং মীয়ামা বোইকোট তৌগনি হায়বা জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিতেসন(জে.এফ.দি)না থল্লিকখিবা ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

চর্চ লুচিংবা অহুম হাৎখিবগী কেস এন.আই.এদা থিজিলহন্নবা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ- গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সি.বি.সি.এন.ঈ.আই অমসুং এম.বি.সি চর্চকী লুচিংবশিংগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উনদুনা কাংলুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা নুঙাইনদবশিং কোকহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চর্চ লুচিংবা অহুম হাৎখিবগা মরী লৈননা অশেংবা লংলা লংজিল পুথোকপীনবা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**